## ‘ইন্দিয়ন আর্মী লৈবদগী ঐখোয়না অকিবা পোক্তবনি’

তৱাং, দিসেম্বর ১৫ (এজেন্সী) : থা অসিগী ৯ দা অরুনাচল প্রদেশকী তৱাং সেক্টরদা চাইনিজ মিলিটরি পি এল এনা অরানবা মওংদা চঙশিন্নবা হোৎনরম্বা অদুবু ইন্দিয়ন আর্মীনা মায় পাক্লা থিংবা ঙমখিবা অমদি মখোয়বু অমুক হন্না চাইনাগী শরুক তম্না হলহনখিবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং অরুনাচল প্রদেশতা খউন্দারিবা মীওইশিংনা ইন্দিয়ন আর্মিগী মথৌনাবু থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখোয় লৈবনা ঐখোয়না পুক্নিং লৈতানা ঙমখৈগী শরুক্তা হিংবা ঙম্বনি হায়না ফোঙদোক্লরক্লি।

খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না মতম পুম্বদা অরুনাচল প্রদেশতা লৈরিবা মীয়াম্না ইন্দিয়ন আর্মীগীদমক থৌনা ফনা লেপকনি। ইন্দিয়ন আর্মীনা থৌনা ফনা অমদি অহি নুংথিল নাইনদনা থবক তৌবদগী হৌজিক্তি তৱাংদা ঈং তপ্না হিংবা ঙম্লে। লৈঙাক্লসু ঙমখৈগী শরুক্তা চাওখৎ থৌরাংগী ওইবা থবকশিং পায়খৎলক্লিবা অসি থাগৎপা ফোঙদোকই অমদি মখা তানা মীৎয়েং চঙবিনসু হায়রি।

## কোর্টকী অয়াবা য়াওদনা সুভেন্দু অধিকারিগী মথক্তা পুলিসনা এফ আই আর অমত্তা লৌখৎতনবা খঙহনখ্রে

কোলকতা, দিসেম্বর ১৫ (এজেন্সী) : কোলকতা হায়কোর্টকী সিঙ্গল বেঞ্চ অমনা ৱেষ্ট বেঙ্গল এসেমব্লিগী ওপোজিসন লীদর সুভেন্দু অধিকারিগী মথক্তা কোর্ট অয়াবা য়াওদনা এফ আই আর অমত্তা লৌখৎতনবা খঙহনখ্রে। অমরোমদা সিঙ্গল বেঞ্চকী ৱারেপ অদুগী মায়োক্তা বেঙ্গল গভর্নমেন্টনা হায়কোর্টতা অমুক হন্না অপিল চৎখ্রে হায়রি।



ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মনুং চনবা পসচিম বরধমান দিষ্ট্রিক্টতা ওপোজিসন লীদর সুভেন্দু অধিকারিনা লুচিংদুনা লেম্না ব্লানকেট য়েন্থোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকপখি। অহানবগী ব্লানকেট য়েন্থোকপগী থৌরম অদু হৌদোক্লম্লবা মতুং মহাক্না মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখিবগা মীওই কয়া ব্লানকেট লৌনবা ষ্টেজদা থোমজিল্লকপগী থৌদোক্তা নেৎখায়নবদগী মীওই ৩ শিহনখিবগা লোয়ননা মীওই ৫ অশোক অপন নংহনখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা বেঙ্গল গভর্নমেন্টনা পুলিসতা কমপ্লেন তৌরক্লবা মতুং বি জে পিগী এম এল এ সুভেন্দু অধিকারিগী মথক্তা পুলিসনা এফআই আর কয়া ফাইল তৌখিবনি। সুভেন্দু অধিকারিনা মহাক্কী মথক্তা এফ আই আরশিং ফাইল তৌরকখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা কোর্টতা হিরম অসিগী মতাংদা শিংনরকখ্রবা মতুং সিঙ্গল বেঞ্চ অদুনা বি জে পি লুচিংবা অসিগী মথক্তা কোর্টকী অয়াবা য়াওদনা মখা তানা এফ আই আর অমত্তা ফাইল তৌদনবা পুলিসতা খঙহনখিবনি।

সুভেন্দু অধিকারিগী লোয়র প্রকাস শ্রিভাষ্টবানা হিরম অসিগা মরী লৈননা কোর্টতা ফোঙদোকখিবদা বি জে পি লুচিংবা অসিগী মথক্তা পুলিসনা এফ আই আর ২৬ ফাইল তৌখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা লুচিংবা অসিনা মীয়াম তিনবা মফমদা পার্টিগা মরী লৈনবা থবক থৌরমাংং পাঙথোক্লবা হোৎনবদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে অমদি গভর্নমেন্টনা মহাকপু মরাল অমা হেক্তা পীশিন্দুনা ফাজিনখিবা য়াবগী ফিভমদা লাক্লে। মসিনা মরম ওইরগা মহাক্কী পোলিটিকেল করিয়রদা চাওনা অকায়বা পীবা হৌরক্লে। মরম অদুনা মহাক্কী মথক্তা মখা তানা এফ আই আরশিং ফাইল তৌবদা অথিংবা পীয়ু হায়জখি। লোয়র অদুগী ৱাফম তারবা মতুং জষ্টিস মন্থাগী সিঙ্গল বেঞ্চ অদুনা পুলিসতা মখা তানা সুভেন্দু অধিকারিগী মথক্তা এফ আই আর ফাইল তৌদনা খঙহনখিবনি হায়রি।

## লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা ঙমখৈগী শরুক্তা শিংনবগী চাং হেনগৎলক্লি : এক্স আর্মী চীফ

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১৫ (এজেন্সী) : অরুনাচল প্রদেশকী শরুক্তা লৈবা ইন্দিয়া অমসুং চাইনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা লাইন ওফ একচুএল কন্ট্রোল পরিংগী শরুক্তা চাইনিজ মিলিটরিনা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া চথুরকপদগী লৈবাক অনীগী মিলিটরিগী মরক্তা উংখৎনবগী চাং হেনগৎলক্লি। মরক অসিদা লৈবাক অসিগী হান্নগী চীফ ওফ ইন্দিয়ন আর্মী জেনরেল এম এম নরাভানেনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা শিংনবগী চাং হান্নদগী য়াম্না হেনগৎলক্লি। মসিগী চপ চাবা পাউখুম পীবগী মতম ওইরে হায়রি।



হিরম অসিগা মরী লৈননা হান্নগী আর্মী চীফ জেনরেল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ঙল্লিথৈঙে মতমদগী হৌরগা চাইনা অরানবা মওংদা লৈবাক অসিগী ঙমখৈগী শরুকশিংদা চঙশিল্লকপগা লম খোপচিন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। চাইনিজ মিলিটরিনা ক্লবশিং অমদি বার্ব ৱায়রশিং শিজিন্নদুনা ঙমখৈগী শরুকশিং খাদুনা লাক্লি। অদুবু করিগুম্বা মতমদা মখোয়গী ঙমখৈগী শরুকাং অদু ইন্দিয়াগী শরুক্লোমদা চঙশিল্লক্লবা হোৎনবা ইন্দিয়ন আর্মীনা কয়ারক হন্না থেংনখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা ইন্দিয়ন আর্মী অমদি চাইনিজ মিলিটরিগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোক্লি। চাইনাগী মায়কৈদগী কা হেনবা থবক থৌওং চথুরক্লবসু ইন্দিয়ন আর্মীনা ফিজিকেল ওইনা থৌওংশিং অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনদুনা লাক্লি। অদুবু ফিজিকেল ওইনা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবগী মহুত্তা পারা তন্বীবা ওইনা ঙমখৈগী শরুক লানশিন্নবা হোৎনরকপা মতমদা নোংমৈ কাপ্পগী তঙায়ফদবা মতম অদু লাক্লে। মতম পুম্বদা চাইনানা চথুরকপা কা হেনবা থৌওংশিং ইন্দিয়ানা থৌনা ফনা ঙাকথোক্লি। মালেমগী লৈবাকশিংদা ইন্দিয়ানা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংনা শিংনরকপা খুদিংমক মায়োক য়াবা ঙম্মী হায়বদু উৎলি। অদুবু হৌজিক্তি লৈবাক অসি মপাঙ্গল কনবা লৈবাক্লি হায়বদু উৎপগী মতম ওইরে। নৎত্রবদি ঙমখৈগী শরুক্তা শিংনবগী থৌওংশিং হান্নদগী য়াম্না হেনগৎলকপা য়াই হায়রি।

## থাঙনা য়ান্দুনা হাৎপদা চেন্নবা ফারে

থিরুভনন্থপুরম, দিসেম্বর ১৫ (এজেন্সী) : কেরলাগী কোনুং থিরুভনন্থপুরমদা মশাগা নুংশিনজবা নুপী অমবু নুংথিল পোবোপ্তা থাঙনা য়ান্দুনা হাৎপদা চেন্নবা মীওই পুলিসনা ঙসি ফাখিবগা লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা থিজিনবগী থবক চথুবা হৌখ্রে হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না থৌদোক অসিদা হকথেংননা চেন্নরিবা রাজেস কীবা নুপা অসিনা মহাক্কী পুন্না লিব ইন রিলেসনদা লৈমিন্নরিবী সিন্দুবু ঙসি অয়ুক থাঙনা য়ানখিবনি। থৌদোক থোকপগী পাউ হেক ফংবগা পুলিসকী টিম অমা মপম অদুদা চঙশিন্দুনা নুপী অদুবু হোস্পিটালদা পুখৎখি। অদুবু হোস্পিটাল য়ৌখিবা মতমদা নুপী অদু শিনা পুখৎলক্লে হায়না লাউথোরকখিবনি। করি মরমগীদমক নুপা অদুনা মহাক্না চহী অনী লিব ইন রিলেসনদা লৈমিন্নরক্লবি নুপী অদু হাৎখিবনো হায়বা হৌজিক্কী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

## গভর্নমেন্ট ওফিসলদা কা হেনবা থবক চথৈ হায়বগীদমক হান্নগী এ এ পি প্রসিদেন্ট ফাখ্রে



রোহটক, দিসেম্বর ১৫ (এজেন্সী) : মথৌ তৌরিবা গভর্নমেন্ট ওফিসল অমদা কা হেনবা থবক থৌওংশিং চথুখি হায়বগী মরালদা হরয়ানাগী হান্নগী এ এ পি প্রসিদেন্ট নভিন জয়হিন্দ পুলিসনা ঙসি ফাখ্রে হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না ঙরাং নভিন অমদি মহাক্না লোয়নরকখিবা মীওই খরা পি জি আই এম এস রোহতক হোস্পিটালগী কেম্পসতা লাকখি অদুগা হোস্পিটাল অদুদা মথৌ তৌদুনা লৈরিবা গভর্নমেন্ট ওফিসল অমদা কা হেনবা থৌওং চথুখিবনি। নর্স লৌবগী দোক্যুমেন্ট ভেরিফিকেসন চথুরিবা গভর্নমেন্ট ওফিসল অদুগী মনাক্তা নভিননা মীওই মঙাগা লোয়ননা চঙলক্তুনা ৱারী শান্নখি। তুংদা মরৈ তৌনরকপদগী নভিননা ওফিসল অদুবু খুপাক্লা থাবগী ভিদিও অমা ভাইরেল ওইরকখ্রবা মতুং মহাকপু ফাবনি হায়রি।

অমরোমদা নভিননা ফোঙদোকখিবদা মীওই খরনা মহাক লোৎখ্রে হায়রিবদু অরানবনি। মহাক মফম অসিদা লেংদনা লৈরি। নর্স লৌনবা দোক্যুমেন্ট ভেরিফিকেসন চথুরিবা অদুদা অরানবা কয়া চথুরে হায়বগী রিপোর্ট ফংলবা মতুং মফম অদুদা চত্তুনা ওফিসলশিংগা উন্নবা হোৎনবদা অয়াবা পীরকখিদবগা লোয়ননা তাথি তওইনা তৌরকপদগী উংখৎনবা থোকখিবনি। মসিদা মহাক্কী মরাল লৈতে হায়রি।

## হান্না লৈরম্বা লুচিংবশিংগা চাংদম্নদনবা রাহুল গান্ধীনা মীয়াম অমদি পার্টি ৱার্করশিংদা অপিল তৌরক্লি

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১৫ (এজেন্সী) : কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎ অসিবু মায়কৈ কয়াদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লরকখিবগা লোয়ননা পার্টি ৱার্কর অমনা মহাকপু মহাত্ম গান্ধীগা চাংদম্নখ্রবা মতুং হান্না লৈরম্বা লৈবাক অসিগী লুচিংবশিংগা মহাক্না চাংদম্নদনবা অপিল তৌরকখিবগা লোয়ননা মখোয়গী থাক য়ৌনা মহাক্না হৌজিক ফাওবদা থবক তৌবা ঙমদ্রি হায়রি।



রাহুল গান্ধীনা হিরম অসিগা মরী লৈননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মহাত্ম গান্ধী লৈবাক অসিগী নীংতম্ন বগী থৌনা ফনা লাম্থেংনরম্বা মীওই অমনি। মীয়ামগীদমক জেলদা চহী ১০ হেন্না লৈখি। মহাক্কী মহুৎ শিনবা ঙমগদবা মীওই অমত্তা লৈতে। মরম অদুনা মহাক্কী মহাত্ম গান্ধীগা চাংদম্নবা য়ারোই। রাজিব গান্ধী অমসুং ইন্দিরা গান্ধীসু মখোয়না হিংলিঙৈ মতমদা মখোয়গী তৌফম থোকপা মথৌ অদু তৌরমখি। সরদার ভলব ভাই পতেল, মহাত্ম গান্ধী, জৱাহরলাল নেহরুসু লৈবাক অসিগীদমক মখোয়গী তৌফম মথৌ অদু তৌরমখিবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা পার্টিগী মীটিং তৌবা মতমদা ঐখোয়না মখোয়গী মমিং কা হেন্না শিজিন্নরোয়সি। লৈবাক অসিগীদমক মখোয়না ঙমজবা কয়া তৌরম্লে। ঐখোয়সু লৈবাক অসিগীদমক করি তৌবা য়াবগে হায়বদু খন্থদুনা থবক তৌবগী মতম ওইরে। মীয়ামগীদমক ঐখোয়না করি তৌরিবগে হায়বা ৱাহং ইশাদা হংজদুনা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক পায়খৎনবা হোৎনগদবনি হায়রি।

রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎ নুমিৎ ১০০ নি মপুঙ ফাখ্রে। মহাক্কী খোঙচৎ হৌজিক হৌজিক রাজস্থান ফাওদুনা চৎলি। খোঙচৎ অসিদা মশক নাইরবা মীওই কয়া শরুক য়ারমখ্রে। ঙরাংসু আর বি আইগী হান্নগী গভর্নর রঘুরাম রঞ্জন খোঙচৎ অসিদা শরুক য়ারমখিবগা লোয়ননা ৱাফম কয়াসু খন্নখি হায়রি।

## দাইনিক ভাস্করগী ওম গোরদা জর্নেলিষ্ট ওফ দি য়রগী মনা পীরগনি

মুম্বাই, দিসেম্বর ১৫ (এজেন্সী) : থা অসিগী ১৬ ইরাই নুমিত্তা জমসেদ বাবা ঠিয়েটর, এন সী পি এ, মুম্বাইদা পাঙথোক্কদবা অচম্বা থৌরম অমগা মরী লৈননা দাইনিক ভাস্কর গী নেসনল এদিটর ওম গোরদা জর্নেলিষ্ট ওফ দি য়র ২০২১ গী মনা লাম্থোক্লগনি লোয়ননা সিনিয়র জর্নেলিষ্ট অমদি অইবা টি জে এস জোর্জতা লাইফ টাইম এচিবমেন্ট এৱার্দ খুৎশিন্নরগনি হায়রি।

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মনুংদা দাইনিক ভাস্করগী রিপোর্টরশিং অমদি ফোটোগ্রাফরশিংনা লৌখিবা থৌদাং কয়া অদু নীংশিংবগা লোয়ননা গভর্নমেন্টনা মীৎয়েং চঙবিদ্রবা মফম কয়াদা ওম গোর অমদি মহাক্কী টিমনা থৌনা ফনা চঙশিন্দুনা লৌখিবা থৌদাংশিং অদুবু ইকায়খুম্নবা উৎপা অমদি শকখঙবা উৎপা ওইনা মনা অসি ওম গোরদা লাম্থোক্কদবনি।

অমরোমদা মশাগী চহী ৯৪ শুরবা টি জে এস জোর্জনা হৌজিক ফাওবদা মহাক্না জর্নেলিষ্টকী ফিল্ড অসিদা লৌরকখিবা শিংথানিঙাই ওইরবা থৌদাং কয়া অদুবু শকখঙবা উৎপা অমদি ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা লাইফ টাইম এচিবমেন্ট এৱার্দ অসি খুৎশিন্নগদবনি। বিহারদা করপসনগা মরী লৈননা থোকখিবা থৌদোক কয়া সিনিয়র জর্নেলিষ্ট অসিনা মীয়াম মমাংদা পুথোক্তুনা খঙহনখিবনি হায়রি।

## কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ২০০ থেংনখি

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১৫ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ২০০ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ২ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ২০০ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৭৫,৪৪৭ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ৩৭৬৭ দা হন্থরকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা মীওই ২ শিহনখিবনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩০,৬৬৩ দা লেঙদনা লৈরি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৮০ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০১ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা ৩০,০০,০০০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ দা ৪০,০০,০০০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা ৫০,০০,০০০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি হায়রি। লোয়ননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ইন্দিয়াগী অপুনবা মীশিং ক্রোর ২১৯.৯৮ কোভিদ-১৯ গী ভেক্সিন মায় পাক্লা কাপথোকখ্রে হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী দাটা অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

**MANIPUR FOOD INDUSTRIES CORPORATION LTD.**
(A Government of Manipur Undertaking)
Administrative Office: Takyelpat Industrial Estate, Imphal West, Manipur
---
ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / **NOTIFICATION**
Imphal, the 14th December, 2022

**No. MFICL-PMFME/1/2021/(Pt.-VIII)**: The Manipur Food Industries Corporation Limited (MFICL) invites applications from interested Cooperative Societies, Farmer Producer Organisation (FPOs) / Farmer Producer Company (FPCs) and Self Help Groups (SHGs) whom are engaged in food processing activity for availing Credit Link Grant under Prime Minister Formalisation of Micro Food Processing Enterprises (PMFME) Scheme.

List of eligible food processing activities, application format, DPR format etc. and all information related to the notification are available in the MFICL website www.mficl.in or MoFPI website www.mofpi.nic.in. The necessary documents/information may also be obtained from the office of MFICL on all working days between 11:00 AM to 2:00 PM.

Dully filled in application Form along with Detailed Project Report and other necessary documents may be submitted to the undersigned for evaluation and scrutiny by DLC/SLAC/SNA.

Sd/- **Joel G Haokip**
Managing Director, MFICL
HL-P/5430/16

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: BISHNUPUR**
**Ref. Mutation Case No. 528/SDC/Bishnupur, 2022**
1. Namoijam Nimai Singh, S/o (L) Ibotombi Singh of Bishnupur Maning Leikai - Petitioner
2. - do - Tomba Singh, S/o - do - of - do -
-Vs-
Namoijam Ibotombi Singh, S/o (L) Shengoi Singh of Bishnupur Kha - O.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Bishnupur, the 15-12-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Namoijam Ibotombi Singh, S/o (L) Shengoi Singh of Bishnupur Kha দা লৈবগী মিংদা পানবা খুল নং 38-Bishnupur Kha পাট্টা নং 134 (অরিবা), 275 (অনৌবা)সি: এস: দাগ নং 1003 গী 0.26 চাওবা ইঙ্খোল অসি পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner গী মিংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই, কেস মখা চথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Bishnupur
HL-P/5429/16

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KAKCHING**
**Ref: Mutation Case No. 102/SDC/K Dt. 02/12/2022**
Nongthombam Kiran Singh S/o (Late) Nongthombam Tomba Singh of .1
.Irengband Mairembam Mayai Leikai
Nongthombam Santosh Singh S/o (Late) Nongthombam Rabei Singh .2
Petitioners - .of Mairembam Mamang
-Vs-
Late) Nongthombam Mani Singh S/o (Late) Nongthombam Chaoba) .1
.Singh of Irengband Hawairou
Late) Nongthombam Tomba Singh S/o (Late) Nongthombam) .2
.O.P.P - .Chaoba Singh of Irengband Hawairou

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Kakching, the 15th December, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ককচিং তহশিল খুল নং: ৬১-ইরেংবন্দ অনৌবা পাট্টা নং: ৫৯৩ অরিবা পাট্টা নং: ৩১৬কী দাগ নং: ১২১গী লম হেক্টর .৬৭৬২০ চাওবা তাওথবী লৌফম অসিগী পাট্টাদারশিং অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং কল্লগা উক্ত দংকারিশিংনা মখোয়গী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা কেস অসিগা মরী লৈনবা য়েৎপীনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

,**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Kakching
HL-P/5263/16

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IRONG CHESABA**
**Ref. Mutation Case No. 50/SDC/ICH of 2022**
1.M/K. Afzal, S/o Md Ahmad Ali of Irong Chesaba Mayai Leikai
-Vs-
Md. Ahmad Ali, S/o (L) Ali Hafij of Irong Chesaba

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Irong Chesaba, the 15th Dec., 2022

Under Section 46(3) MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি অরিবা পাট্টা নং ৩৪৮ অনৌবা পাট্টা নং ৬৩৮ দাগ নং ১০০৪ এরিয়া .১৭৫০০ হেক্টর ইঙ্খোল, রেভন্যু ভিলেজ নং ৫-ইরোং চেশাবগী কো-পাট্টাদার ২ (অনী) অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দাগকী মনুংদগী অৱাং থংবা শরুক্তা .০৮৭৫ হেক্টরগী লম অসি এপ্লিকান্টকী মীংদা পাট্টা নামা ওনশিনবীরো হায়দুনা SDC/ICH গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারকপগী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা/কনাগুম্বীশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙখিবা নুমিৎতগী থারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি শুবা ফাওবগী মনুংদা ওফিস মতমদা লাক্তুনা অইবা চেনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মতম অসি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলদ্রবদি কেস মখা চথরগনি তুংদা লাকপা য়েৎলরবা খূদিংমক কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Irong Chesaba
HL-P/5266/16

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI**
**Mutation Case No. 331/SDC/W(N)Sekmai of 2022**
Sundarkumar Budachhetry, S/o Laxman Budathoki of Kanglatongbi -Petitoner
-Vs-
(L) Krishna Maya Devi Budathoki, W/o Laxman Budathoki of Kanglatongbi -Pattadar

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Sekmai, the 15/12/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tashil Village No. 31-Kanglatongbi Under Patta No. ..... (old), 83/1778 (New) Covered by C.S. Dag No. 5111/5449 গী area 0.400 acres চাওবা ইঙ্খোল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবীরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী Court তা application থারক্লে অমদি লৌফম/ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চথজখ্রনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West North Sekmai
HL-P/5434/16

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: YAIRIPOK**
**Ref. Mutation case no. 470/SDC/Ypk Dtd. 15/12/2022**
Parties:- Vaomi Marchang, S/o Songaleng of Keihao Tangkhul -Petitioner
-Vrs-
(Late) Thongkhulam Kuki, S/o (L) Makhohen Kuki of Bungba Khullen -OPP

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Yairipok, the 15th Dec., 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরনা য়াইরিপোক তহশিল খুল নং ১২২-বুম্বা খুলেন, পাট্টা নং অরিবা ১১৮ পাট্টা নং. অনৌবা ২৮ দাগ নং ২ এরিয়া ০.৩০০৫০ হেক্তর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার থোংখুলম কুকি পীং মৃ মখোহেন কুকি সাং বুম্বা খুলেন অসি মৃতু ওইখ্রে। হায়রিবা পিটিস্নরনা মহাক্কী ফংফম থোকপা শোতোনি, মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমিং ককথৎপীরগা পিটিস্নরনা মিংদা নমা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অসিনা ফৌরেল লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অয়েৎ চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই। হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Yairipok, Thoubal District, Manipur
HL-P/5427/16

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, IV LAMPHELPAT MANIPUR**
**Ref: Mut. Case No. 244/AS&SO/IV-2022 Date 3/12/2022**
Sanatombi Pamei, W/o Meithaina Pamei of Ragailong
-Vrs-
Late P. Meithaina Kabui, S/o Kanangai Kabui of Ragailong

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Imphal, 15/12/2022

Under Section 46(3) of MLR and LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 25-(A) Kabo Leikai Nongpok পাট্টা নং 1328 অনৌবা দাগ নং 1021/1128 এরিয়া .085 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার P. Meithaina Kabui, S/o Kanangai Kabui of Ragailong মৃত্ব ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারী অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 22/12/2022 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-IV**
Lamphelpat, Manipur
HL-P/5265/16

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, IV LAMPHELPAT MANIPUR**
**Ref: Mut. Case No. 243/AS&SO/IV-2022 Date 3/12/2022**
Tuna Gangmei, W/o Pouchalung Gangmei of Kakhulong Paona Bazar
-Vrs-
Late Pouchalung Gangmei, S/o Poujelung Gangmei of Kakhulong

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Imphal, 15/12/2022

Under Section 46(3) of MLR and LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 25-(A) Kabo Leikai Nongpok পাট্টা নং 1302 অনৌবা দাগ নং 1010 এরিয়া 0.1295 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার Pauchalung Gangmei, S/o Poujelung Gangmei মৃত্ব ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারী অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 22/12/2022 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-IV**
Lamphelpat, Manipur
HL-P/5265/16

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KUMBI - MANIPUR**
**Ref. Mutation Case No. 338/SDC/Kumbi/2022 Dt. 15/12/2022**
1) Khangembam Bocha Singh S/o (L) Kh. Tombi Singh of Kumbi Setupur Water Supply -Petitioners
-Vs-
1) Khangembam Tombi Singh, S/o (L) Rakhop Singh of Kumbi Setupur Water Suply -O.P. Pattadar

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Kumbi, 15th Dec., 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৬৪-কুম্বীদা লৈবা পাট্টা নং ... (অরিবা) অমসুং ১৫৪০ (অনৌবা) সী এস দাগ নং ২৩৫৩ এরিয়া ১.৩০ একর অপুনবা ২.৫৫ একর চাওবা লমগী মনুংদগী নোংপোক্তা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: পাট্টাদার ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং-মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না মখা কেস চথগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Kumbi
HL-P/4937/16